# গোল চনবদা হেন্দলিং তাই হায়বগীদমক পায়াগী সপোর্টরশিংনা রেফ্রি ফুগাইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ

ফুটবোলদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়া লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা থোক্তুনা লাক্লি। টুর্নামেন্ট অচৌবা মচা খায়দনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমদি সপোর্টরশিংনা রেফ্রিদা ফুবগী থৌদোক ঐখোয়না তৎতনা তারি।

ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফগ্রাউন্দদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা শান্নখিবা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেচতা আবা ক্ষেত্রিগাও অমসুং পায়া কাইরং অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।

মেচ অদুদা কন্দক্ত তৌরিবা সেন্তর রেফ্রি এন ইবুংঙো ফুবগী ৱাথোক থোকখিবগা লোয়নন্না মেচ লোইশিনখিদ্রে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক আবা ক্ষেত্রিগাও অমসুং পায়া কাইরং অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুগী ৬৪ শুবা মিনিটতা আবাগী শান্নরোয় অনিসখাননা চনখিবা টিমদুগী মরিশুবা গোল অদু হেন্দলিং তাই হায়বগীদমক পায়াগী সপোর্টরশিংনা রেফ্রিদা ওনশিন্দুনা ফুখি।

থৌদোক অদুদগী মেচ মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী আবানা গোল মরি অদুগা পায়ানা গোল অমদা লোইশিনখি। মেচ অদুগী ৱাৎহৌরিবা মিনিট ১৬ অদু করম্বা মতমদা শান্নগদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

রেফ্রি ফুবগী থৌদোক অদুবু মেচ কন্দক্ত তৌরিবা রেফ্রিশিংনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবগা লোয়নন্না মখা তানা ইম্ফাল ইষ্টকী লীগতা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং মতিক চানা পীদ্রবা অমদি মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎত্রিবা ফাওবা মেচ মখা তানা কন্দক্ত তৌররোই হায়রি।

মেচ অদুদা ঙাক শেন্নবগীদমক শিল্লি লাংলিবশিংনা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং অমত্তা থমখিদবগা লোয়নন্না গ্রাউন্দগী অকোয়বদা ফেন্সিং তৌদবা মরম্না খৎন-চৈনবগী থৌদোক অসি থোকখিবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। মসিগী মথক্তা মেচ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা শিল্লি লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্টকী কনভেনর লন্দন নত্তনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা ওফিসিএল অমত্তা লৈখিদে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মেচ অদুদা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং মতিক চানা পীবিদ্রবসু ওর্গেনাইজরশিং মতিক চানা লৈরবদি অসিগুম্বা রেফ্রি ফুবগী থৌদোক অসি থোক্লমদবা য়াই। হায়রিবা থৌদোক অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী অচৌবা মরালনি হায়না মেচ অদুবু য়েংলিবা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মেচ অদুদা আবাগী গোল মরি অদু ৱাটসন, বিজেন, অনিস খান অমদি এস এম অলিনা চনখি। পায়াগী গোল অদুনা সয়িদ ৱাহাসনা চনখি।

মফম অসিমক্তদা ঙসি শান্নখিবা ইম্ফাল ইষ্ট ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচতা এম ঐচ জি এ য়ু হাট্টা গোলাপতিনা বি পি ৱাই সি বাসিখোং গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এম ঐচ জি এ য়ু হাট্টা গোলাপতিগী গোল মরি অদু এম ষ্টেলিন, ৱিজুরামাই, এম দি মুষ্টাদ অমসুং এম জোনসন্না চনখি।

# এসোসিএট অমসুং এফিলিএট টিমদা মণিপুরদগী জোনসন অমসুং রেক্স খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ

চহীসিগী ওক্টোবর ১ দগী ১২ ফাওবা ঝরখণ্ডগী ধনবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান দে জোনেল লীগ (ইষ্ট জোন) বিনু মনকাদ ত্রোফিদা এসোসিএট অমসুং এফিলিএট (এ এন্দ এ) টিমদা য়াওনবগীদমক মণিপুরদগী ক্রিকেটর রাজকুমার রেক্স অমসুং ঙারিয়ানবম জোনসন খল্লক্লে।

মীওই ১৫ না শাগদৌরিবা এসোসিএট অমসুং এফিলিএট টিম অসিগী শান্নরোয়শিং অসি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না খনখিবনি।

এসোসিএট অমসুং এফিলিএট টিমদা য়াওনবগীদমক খল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিং অসি হৌখিবা সেপ্তম্বর ১৫ দগী ২১ ফাওবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট টিম তরুক মণিপুর, অরুনাচল, সিক্কিম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ লোয়নন্না বিহারদগী টিম অমা য়াওদুনা লীগ কম নোকআউট ফোর্মেটতা বেঙ্গলোরগী অলুর ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এসোসিএট অমসুং এফিলিএট অন্দর-১৯ টুর্নামেন্টতগী ফজবা




শান্নরোয়শিং অদু বি সি সি আইনা খনগৎলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মেচ পূম্নমক ওল ইন্দিয়া জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ভেঙ্কটেজ প্রসাদ অমদি সেলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বর রাকেস পরিকনা খনখিবনি। হায়রিবা এসোসিএট অমসুং এফিলিএট টিম অসিদা মণিপুরদগী রাজকুমার রেক্সনা বোল্লর ওইনা খল্লকখিবনি অদুগা ঙারিয়ানবম জোনসন্না বেটচমেন ওইনা খল্লকখিবনি। টিম অসিদা নাগালেন্দগী শান্নরোয় ৪, বিহারদগী শান্নরোয় ৬৫, মেঘালয়দগী শান্নরোয় ৪ অমদি ষ্টেনবাইদা শান্নরোয় ৫ লৈরি।

# জিরিবাম ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা জে ৱাই সি, থার্দ দিভিজন লীগতা কুকি এস সি মায় পাকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৪ শুবা রধামনি লীগ ২০১৬ কী মেচতা জে ৱাই সি জাইরোলপোকপী মায় পাকখ্রে। ৬ শুবা পি টিলোতমা দেবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী মেচতনা কুকি এস সি মায় পাকখ্রে।

টিম মঙানা শরুক য়াদুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসিগী মেচ অদুদা জে ৱাই সি জাইরোলপোকপীনা রিত্রেদ নমদাইলোং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা রিত্রেদ নমদাইলোংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখিবগা লোয়নন্না জে ৱাই সি জাইরোলপোকপীনা বোল পায়দুনা শান্নবা হৌখি। মেচ অদুদা জে ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মঙাশুবা মিনিটতা মুরথাংসোনা চনখি।

হয়েং লীগ অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা পি ৱাই সি ফাইতোল অমদি ইচেল



ক্লব দিবোংগা শান্নগনি।

তরুকশুবা পি টিলোতমা দেবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কুকি এস সিনা সনরাইজ ক্লব কদমতলা গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কুকি এস সিগী গোলশিং অদু দেবিদনা গোল অনী মেচকী ৫ অমসুং ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় থাংবোইনা অহুমশুবা গোল মেচকী ৬৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সনরাইজ ক্লব কদমতলাগী গোল অনী অদু দল্লিয়ু কিরন অমসুং কে রোমেসনা চনখি। হয়েং লীগ অসিগী ১৪ শুবা মেচ ওইনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়া অমসুং আর ৱাই সিগা শান্নগনি।

# ভি এস এ আইগী ভেটরান ফুটবোল টিম গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ

ঙসিদগী হৌদুনা গুৱাহাটিদা লৈবা জজেজ ফিল্ডদা পাঙথোকপা হৌখ্রবা অহুমশুবা য়ু বি সি চেলেঞ্জ নোর্থ ইষ্ট ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা লমদমসিগী মমিং লৈরবা ভেটরান ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগী টিম ঙসি গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম অসি ঙসি অয়ূক বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগী ত্রেজরর ঈ ইরনকুমারনা লমথাখি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এন হেরাচন্দ্র, এল সুরচান্দ, টি ঐচ ভুপেন, কে ঐচ বোনোমালি, দল্লিয়ু প্রেমচান্দ, কে খেলেন, এন সরত, পি জয়চন্দ্র, গাইফুলুং, এ কে মহেস, টি ঐচ সোমোরেন্দ্রো, এস রাজেন্দ্রো, এ জয়েন্তা, এন জি রাজেস, টি শ্যাম, এন ইমোচা, কে ঐচ রতন, এন ইরনকুমার, টি ঐচ রোহেন্দ্রো অমসুং এম ইতোচানি। টিম অসিগী কোচনা টি শ্যামনি অদুগা টিম মেনেজরনা এস ভদ্রিকানি।

## জুদো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ ঃ

মণিপুর জুদো এসোসিএশন্না শিন্দুনা সেপ্টেম্বর ৩০ দগী ওক্টোবর ১ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা অথোই অহেন তান্নগনি। তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী কম্পিটিশনশিংদা ৱিন্নর ওইরবা জুদোকাশিংনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা লাক্কদৌরিবা ওক্টোবর, নবেম্বর অমদি দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াগনি। মরম অদুনা লমদমসিগী জুদো শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল জুদো এসোসিএশনগী খূৎথাংদা মখোয়গী মমিং মথাশিং মণিপুর জুদো এসোসিএশন্দা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৭ ফাওবনি।

# বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা ক্রেসা, সেকেন্দ দিভিজন্দা এন জি কে এস এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৩ শুবা ঐচ পিশক ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ক্রেসা বিষ্ণুপুর অমসুং তরামাথোইশুবা এল বলানন্দ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ এন জি কে এস এ ঙাইখোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচতা ক্রেসা বিষ্ণুপুরনা টি ৱাই এ থিনুঙ্গৈ গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা ক্রেসা বিষ্ণুপুরনা চাউনা মায় পাক্লবসু মেচকী অঙনবদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নন্না শান্নখিবনা মেচকী মিনিট ৩০ রোম ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মেচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনিটতা ক্রেসাগী লঞ্জাগাইনা টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখি।

ক্রেসা বিষ্ণুপুরনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোত্থরিবা টি ৱাই এ থিনুঙ্গৈগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখিবনা মেচ অদুগী ৪৬ শুবা মিনিটতা ৱোজেন্দ্রোনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং ক্রেসা বিষ্ণুপুরগী শান্নরোয়শিংনা হাফ মতুংদা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নদুনা গোল অনী থংনা থংননা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখি। ক্রেসা বিষ্ণুপুরগী অনীশুবা গোল রবিনা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল অথংনা মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী মেচতা এন জি কে এস এ ঙাইখোংনা এফ সি থাঙ্গা গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এন জি কে এস এ ঙাইখোংগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা অমসুং মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চত্থখিবনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।


টিমদুগী গোল অদু পি ইবুংঙোনা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল অদুনা মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা টি কেনাওবনা চনখি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437)
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3305/8/9-7/10








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com